# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 19-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি ভিক্সিত ভারত রোজগার য়োজনাগী ইন্সেন্তিভ ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা য়েন্থোক্লগনি।

ইন্সেন্তিভ য়েন্থোকপগগী থৌরম অমা নৈলিট ইম্ফালদসু পাঙথোক্কনি।

২) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা বোম থমজিল্লম্বা অমদি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়বা লালহৌবা ৯ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে ।

অমসুং

৩) ভারতপু মালেমগী ইনোভেসন অমসুং টেকোলোজিগী হব ওইরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখ্রে।

------

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা প্রধান মন্ত্রি ভিক্সিত ভারত রোজগার য়োজনা (পি.এম-ভি.বি.আর.ৱাই)গী মখাদা লুপা কোতি লিশিং ২,৪০০ রোমগী ইন্সেন্তিভ মীয়ামদা য়েন্থোক্লগনি।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়- মমাং চহিগী ওগষ্ট থাদগী পি.এম-ভি.বি.আর.ৱাইগী মখাদা কর্ম্মচারি লাখ ৬৩ হেন্না লৈবাক অসিগী ৱার্ক ফোর্সদা হাপচিল্লে। মখোয়দুগী মনুংদা চাদা ৩০ রোমদি নুপীনি। মহাকা হায়- স্কিম অসিগী মখাদা ইন্সেন্তিভ ফংলিবশিংগী চাদা ৮০ রোম হেনবদি শিন্মী ২৫ রোমতমক লৈবা অপিকপা উদ্যোগশিংনি।

প্রধান মন্ত্রি ভিক্সিত ভারত য়োজনাগী বেনিফিসরিশিংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইন্সেন্তিভ য়েন্থোকপগা মরী লৈনবা থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্টকী অকামপাৎতা লৈবা নৈলিট ইম্ফালদা ঙসি নুংথিল পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ অমসুং গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম য়াওগনি।

মীফম (এল)ঃ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী বোর্দ ওফ গভর্নরসকী ১৫ শুবা মীফম ঙরাং নিউ দিল্লিগী করতব্যা ভবনদা পাঙথোকখ্রে। কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ হেলথ সার্ভিসেস, মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর, নেসনেল মেদিকেল কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট, নিতি আয়োগকী মীহুৎশিংনচিংবা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা রিমস ইম্ফালদা হকশেলগী থবক থৌরমশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবা, একাদমিক অমসুং রিছার্সকী থবক থৌরমশিং য়াওনা চাওখৎ থৌরাংগী ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

পুলিস (এল)ঃ ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা বোম থমজিল্লম্বদা চেন্নবনি হায়বা কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই মরি মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ফারে। শেল খায়বগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা শিজিন্নবনি হায়বা চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা অয়াংপল্লি এরিয়াদগী ফগৎলে।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমসুং আইন কায়না খুৎলায় পীথোক পীশিন তৌবদা চেন্নবনি হায়বা কে.সি.পি. (এম.এফ.এল) মীওই মরি ককচিং জিলাদগী ফাগৎখি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা বিষ্ণুপুর জিলাদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা ফাখি। চেরোল অদুনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা

গেট নম্বর-ৱানদগী ঙামসোন বাইতে কৌবা মীওই অমা কলহৌরে। মোরেগী বি. বোনজাং ভিলেজদগী মীওই অসি পি.এস.ঐচকী কাদরনি চিংনবশিংনা মহাক্কী খুলদগী ফাদুনা পুনবা হোৎনরম্বনি।

নোং ঃ  ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা অৱাং নোংপোক ভারত, সব-হিমালায়ান ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং সিক্কিমগী মফম কয়াদা চায়োল অসিগী মনুংদা কনবদগীনা য়ামা কন্না নোং চুগনি। হায়রিবা ফিভম অসি বিহার, তামিলনাদু, পুদুচেরি অমসুং করাইকলদসু ঙসি মায়োকগনি।

বিভাগ অসিনা হায়- খা নোংচুপ্পুগী হৌরকপা কুমগী নোং লাক্লিবা নুমিৎ হুমিদগী মঙানি ফাওবদা তেলঙ্গনা, উরিষা, ঝারখন্দ, বিহার অমসুং ছত্তিসগরদা য়ৌশিল্লক্লুবা য়াই।

পিএম ঃ  ভারতপু মালেমগী ইনোভেসন অমসুং টেকোলোজিগী হব ওইরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখ্রে।

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা পাঙথোকপা ভিভা টেক ২০২৬ তা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ মোদিনা হায়- হৌখিবা চহি তরা অসিদা টেকে ালোজিনা শক্তি ওইদুনা ভারত অসি শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা অওনবা পুরক্লি। মহাকা হায়- ফাইনান্সিয়েল ইনক্লুসন, ইদুকেসন, টেলি মেদিসিন, এগ্রিকলচরনচিংবা থৌরাংশিংদা পাক্তকনা টেকোলোজি শিজিন্নরি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারতনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা দিজিতেল আইদেন্তিতি সিষ্টেম অমসুং মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা দিজিতেল পেমেন্ট প্লেট ফোর্ম হৌদোক্লে।

মদুগী মমাংদা প্রধান মন্ত্রিনা ফ্রান্সকী করবারৱালাশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা লৈবাক অনিনা শেনমিৎলোন অমসুং টেকোলোজিগী লমদা মতেং পাংননবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

নদ্দা ঃ কুমগী নোং লাক্লিবৈঙেগী মাংওইননা দেঙ্গি অমসুং মেলেরিয়া লায়নাদগী ঙাকথোকবা শেম শারিবশিং কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা সভাপতি ওইদুনা য়েংশিনখ্রে।

মীফম অদুদা শ্রী নদ্দানা লৈবাক শিনবা থুংবদা হৌজিক ওইরিবা দেঙ্গি অমসুং মেলারিয়াগী ফিভম য়েংশিনবগা লোয়ননা কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিং ঙাকথোকবা অমদি লাকশিন্নবা কুপা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি। চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মরুওইবা অদু পল্লদুনা মন্ত্রিনা কাঙ মচা পোকফমশিং লৈহন্দবা, মৈখু কাপথোকপা অমদি কাঙ মচা পোক্লকপা য়াবা মফমশিং খঙদোক্কুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা তঙাইফদে হায়খি। লায়না অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা কেন্দ্র, রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি সরকারশিং অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

নিট ঃ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা নিট য়ু.জি. পরিক্ষাগী শেম শারিবা অদু শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না সভাপতি ওইদুনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমনা য়েংশিনখ্রে। মীফম অদুদা পরিক্ষাগী থবক থৌরমশিং পুকচেল শেংনা, ত্রান্সপেরেন্সি লৈনা অমদি থম্মোয় শেংনা পাঙথোকবা পাউতাক পীখি। অমুক হন্না পাঙথোক্কদৌরিবা পরিক্ষা অসি নিতি নিয়ম চুমা, অশোই অঙাম য়াওদনা পাঙথোকবগীদমক মরী লৈনবশিংদা মন্ত্রিনা পাউতাক পীখি।

মীফম অদুদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংনা কেন্দিদেটশিংদা তঙাইফদবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা খঙহনখি।

ফিফা ঃ ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ কী গ্রুপ-এগী মেটচ অমদা ঙরাং চেক রিপাব্লিক্কা সাউথ আফ্রিকাগা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। গ্রুপ-বিগী মেটচ অমদা স্বিটজরলেন্দনা বোসনিয়া এন্দ হর্জগোভিনাবু পাঞ্জল ৪-১ দা, গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা কানাডানা কাটরবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি। গ্রুপ-এগী মেটচ অমদা হৌজিক মেক্সিকোগা সাউথ কোরিয়াগা শান্নরি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

২৫ শুবা দি গ্রেট জন্ অপরাইজিং-য়ুনিতি ডে পাঙথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

য়ুনিতি ডেগী থৌরম কেক্রুপাৎতা লৈবা অথৌবা অথৌবীশিংগী খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা পাঙথোকখ্রে। হৈকৎ লৈকৎ তম্বখক নত্তনা অথৌবা অথৌবীশিংনা চৎলম্বা লিক্লমদসু চৎনবা হোৎনশি হায়বা দি গ্রেট জন্ অপরাইজিং-য়ুনিতি ডে ওবজার্ভেসন কমিতিগী চেয়ারমেন ৱাই.কে. ধিরেনগী ৱাফম অমসুং মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী অপুনবা কিলোমিতর লিশিং ২৬ হেনবা লম্বী লুপা কোতি লিশিং ১৮,৯০০ চংনা শেম শানবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউশিংনা সনালৈবাক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

অপুনবগী শক্তমগী থৱায় কৎখ্রবশিং মীয়ামা ইকায় খুমবা উৎখ্রে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পাউ অসি মণিপুর মেলগীসু অহানবা হেদলাইন ওইরি।

চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী ব্লোক্কী শরুক খরা শকখঙদবশিংনা অমাং অতা থোকহল্লগ্লে অমসুং ফাজিনদুনা থল্লুরবা মতুং থাদোরকখ্রবী নাগা মীচম অহুম হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়েং চশ্খ্রে হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

জোজাংটেক খুলদা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক্তা মীওই অমা শোক্লে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

জিরিবামদা গাড়ি কয়া পনদুনা লৈরে, এ.জে.আর.টি.দি.য়ুনা সেক্যুরিতি কনভোই মশিং হেনগৎহনবীয়ু হায়না আপীল তৌখিবা অমসুং থম্বালগী লংনা শাবা ফি অমসুং থম্বালগী চা পুথোক্তুনা মালেমদা ফিদা অমা কল্লিবী বিজয়শান্তি তোংব্রম হায়বা পাউ ফোটোগা কোন্ননা পোকফমগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নিউ দিল্লিদা চৎলুবা রাজ্যপাল হল্লকখ্রে, সেক্যুরিতি এদভাইজর অমসুং চীফ সেক্রেতরিনা উন্নখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ম্যান্মার জন্তানা ইন্দিয়াগা ফাওনরিবা ত্রেদ রুট পায়শিন্নবা হোৎনরি হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং জিলাদা থা অসিগী ২০ ফাওবা জন কল্যান সিবির পাঙথোক্লগনি, অহৌবা নুমিৎতা মী তিনবগী চাং নেমখি হায়বা পাউনা গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

------